# নিংথৌজম প্রিতমগী হেটট্রিকনা ত্রাও এফ সীবু নেরোকানা য়াম্না হেনবা মওংদা পাঞ্জল ৫-০দা মায়থীবা পীখ্রে






ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ০৮ (ঐচএনএস): ঙসি খুমন লম্পাক মেন ষ্টেদিয়মদা মণিপুরদা অহানবা ওইনা ফ্লদ লাইটকী মতেংনা হিরো আই লীগকী মেচ শান্নবদা নেরোকা এফ সীগী নিংথৌজম প্রিতমনা চনখিবা হেটট্রিকনা মপুং ওইরগা ত্রাও এফ সীবু পাঞ্জল ৫-০দা মায়থীবা পীখ্রে।

ঙসিগী মেচ অদুগী অহানবা হাফ টিম অনীমক পাঞ্জল অমত্তা চন্নবা ঙমদনা লৈখি। পনবা য়াবদি মমাঙগী লীগ মেচ অমদা নেরোকা এফ সীবু ত্রাওনা মায়থীবা পীবা ঙমখি। পোইন্ট টেবলদা ত্রাও এফ সী হান্না ৩শুবা পোজিসনদা লৈরম্বদগী ঙসি মায়থীবা নংখিবা অমদি রিয়ল কাশ্মিরনা অতোপ্পা মেচ অমদা গোকুলম কেরলাবু থোইদুনা ৪শুবদা হন্তরকখি।

অনীশুবা হাফ হৌরকপা ইকুই কুইদ্রিঙৈ নেরেকাগী এটেক অমদা ইমরান খাননা পীরকপা বোল অমদা টেটে অদজানা একাউন্ট হাংদোকপা হৌখি। ইকুই কুইদনা মখা তাবা এটেক অমদা ত্রাও এফ সীগী দিফেন্দরশিংবু নমখাইদুনা ৰাই জিতেশ্বরনা পীখিবা পাস অমদা টিমমেট ইমরান খাননা অনীশুবা পাঞ্জল চনখি।

ত্রাও পাঞ্জল হন্দোকপা ঙমদনা লৈরিঙৈ ৬০শুবা মিনটতা অদজানা পীরকপা পাস অমদা নিংথৌজম প্রিতমনা মহাক্কী অহানবা পাঞ্জল চনখি। ৬৬শুবা মিনটতা ইমরান খানন খাইরকপা বোল অমদা প্রিতমনা টিম অদুগী ৪শুবা পাঞ্জল চন্দুনা ত্রাও হৌগৎপা ঙমদবা মওংদা লৈহনখি।

মণিপুরদা অহানবা ফ্লদ লাইটতা শান্নবা মেচ ওইখিবনা ঙসি ভাবোক্কী মশিংসু য়াম্না য়ামখি। শান্নবগী ইঞ্জুরি টাইমগী অপীবা মিনট ৩ শুরকপদা প্রিতমনা মহাক্কী হেটট্রিক ওইবা পাঞ্জল অদু চন্দুনা ত্রাও এফ সীবু পাঞ্জল ৫-০দা মায় পাক্তুনা পোইন্ট টেবলদা মেচ ১১দা পোইন্ট ১১ ফংলগা ৮শুবা পোজিসনদা লৈরি।

অতোপ্পা মেচ অমদা রিয়ল কাশ্মিরনা য়ুম্বু গোকুলম কেরলাবু ১-০দা থোইখি। অমত্তা ঙাইরবা পাঞ্জল অদু এম রোবার্দসননা চনখিবনি।

## জিরি কপ ইনভাইটেসন ফুটবোল টুর্নামেন্ট

জিরিবাম, ফেব্রুৱারী ০৮(ঐচএনএস): ওল জিরিবাম স্পোর্টস এসোসিএসন (এ জে এস এ)না শীন্দুনা জিরিবাম হায়র সেকেন্দরি স্কুল প্লেগ্রাউন্দা টিম ১৫না শরুক য়াদুনা চথরিবা '১৩শুবা জিরি কপ ইনভাইটেসন ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০২০'গী ঙসি শান্নখিবা মেচ অমদা কে এস সী রানিভেঙনা গিলগাল ৰাই সীবু মায়থীবা পীখ্রে।

টুর্নামেন্ট অসিগী ৬নি শুবা নুমিৎতা কে এস সী রানিভেঙ অমসুং গিলগাল ৰাই সী লম্বা তৌনখি। মেচ অসিদা কে এস সী রানিভেঙনা পুন্না পাঞ্জল ৫ চনবা ঙমখি। অদুগা গিলগাল ৰাই সীগী মায়কৈদগীনা শুপ্ন গী পাঞ্জল অমখক চনবা ঙমখিবদগী মেচ অসি কে এস সী রানিভেঙনা গিলগাল ৰাই সীবু পাঞ্জল ৫-১দা মায়থীবা পীখি। হয়েংগী ৭শুবা মেচতা চিরু এফ সী অমদি পি এফ সী ফাইতোল শান্নগনি।

# বুতাংখল এফ সীনা বি ঐচ এল সীবু থোইদুনা চেলেঞ্জ ট্রোফিগী চেম্পিয়ন ওইখ্রে



জিরিবাম, ফেব্রুৱারী ০৮ (ঐচএনএস): ট্রাইবেল স্পোর্টিং এসোসিএসন, ছোতেবেক্রা জিরিবামনা শীন্দুনা মমাঙ থা জন্যুৱারী ৩০দগী টিম ১৩না শরুক য়াদুনা বুতাংখল প্লেগ্রাউন্দদা চথরকপদা 'চেলেঞ্জ ট্রোফি'গী ফাইনেল মেচতা বুতাংখল এফ সী-এনা বি ঐচ এল সী হোনভেঙবু মায়থীবা পীদুনা চেম্পিয়ন ওইখ্রে।

চেলেঞ্জ ট্রোফি অসিগী ফাইনেল মেচ বুতাংখল এফ সী-এ অমসুং বি ঐচ এল সী লম্বা তৌনখি। টিম অনীমক্না অকনবা মওংদা এটেক কয়া চথনখি। অদুবু মেচ অসিগী অপীবা মতমগী মনুংদা বুতাংখল এফ সী-এগী মায়কৈদগী পাঞ্জল ৩ চনখি। অদুগা বি ঐচ এল সীগী মায়কৈদগীনা পাঞ্জল অমখক চনবা ঙমখিবদগী মেচ অসি বুতাংখল এফ সীনা চেম্পিয়ন ওইখি। টুর্নামেন্ট অসিগী চেম্পিয়ন অমদি রন্নর্সঅপ টিমদা ট্রোফি অমদি শেলগী মনাসু খুৎশিন্নখি।

ঙসি লোইশিনবগী থৌরমদা সোসল ৱার্কর এন বুধাচন্দ্র, জিরিবাম অমদি বোরোবেক্রা জিপিগী প্রধান লালজাদিং মারনা মথং শীৎনা চীফ গেষ্ট অমদি গেষ্ট ওফ ওন্নর ওইখি।

# ১৪শুবা ইম্ফাল ইষ্ট থাঙ-তা কম্পিটিসন হৌদোকখ্রে

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ০৮ (এজেন্সী): লুৱাং থাঙ-তা একাদেমী খুরাই কোংপালনা শীন্দুনা '১৪শুবা ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্ট থাঙ-তা কম্পিটিসন' ঙসি খুরাই কোংপাল সাজোর লৈকাইদা লৈবা কম্যুনিতি হোলদা হৌদোকখ্রে।

ঙসি হৌদোকপগী থৌরমদা সোসল ৱার্কর কে ঐচ খম্বা, ইম্ফাল ইষ্ট থাঙ-তা এসোসিএসনগী প্রসিদেন্ট এন নোরেন, ৱার্ল্ড থাঙ-তা ফেদরেসনগী প্রসিদেন্ট ঐচ



প্রেমকুমার লাইশ্রম লৈকাই জি পিগী ৱার্দ মেম্বর এন সুরঙ্গিনি অমদি এস আই ইম্ফাল ইষ্ট এন রামেশ্বরনা মথং শীৎনা চীফ গেষ্ট, প্রসিদেন্ট, স্পেসল গেষ্ট অমদি গেষ্ট ওফ ওন্নরশিং ওইনা শরুক য়াখি।

অহৌবা নুমিৎকী শান্নখিবা ফুনবা অমা অমদি অনীশুবা ইভন্টেকী কে জি ২১ মথক্কী কাংলুপ্তা দল্লীয়ু রোহেনবনা গোল্ড, প্রেমজিৎনা সিলভর অমদি এল মালেমনা ব্রোঞ্জ মেদল ফংখি। কে জি ২৫ মথক্কী কাংলুপ্তুনা সী ঐচ পোরৈতোননা গোল্ড, মালেমঙানবানা সিলভর, এম ননাওনা ব্রোঞ্জ মেদল ফংখি।

# এন রতন ওকপগী থৌরম পাঙথোকখ্রে



ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ০৮ (এজেন্সী): ওল মণিপুর বোদি বিল্ডর্স এসোসিএসনগী মায়কৈদগী প্রেসতা পীরকপা চেরোল অমগী মতুং ইন্না এসোসিএসন অসিগী প্রসিদেন্ট অমদি ইন্দিয়ন বোদি বিল্ডির্স ফেদরেসনগী একজিক্যুটিব মেম্বরসু ওইরিবা নোংমৈকাপ্পম রতননা নোর্থ ইষ্ট ইন্দিয়াগী কনভেনর ওইনা খল্লকপদা এসোসিএসন অসিনা নুংঙাইবা ফোঙদোকপগা লোয়ননা তরাম্না ওকখ্রে হায়রি।

থা অসিগী ১দা ফমখিবা ইন্দিয়ন বোদি বিল্ডর্স ফেদরেসনগী চহীগী জেনরেল বোদি মীফমদা মণিপুর মচা অহানবা ওইনা নোংমৈকাপ্পম রতনবু নোর্থ ইষ্ট ইন্দিয়গী কনভেনর ওইনা থৌ পুনবা খনখিবনি হায়রি।

অহানবা আর কে জয়চন্দ্র মেমোরিএল য়ুথ লীগ

# য়ু-১৩গী কাংলুপ্তা নিসুগী টিমনা ই এস য়ুবু মায়থীবা পীখ্রে



ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ০৮(ঐচএনএস): ক্লাসিক গ্রুপ ওফ হোটেলনা স্পোন্সর তৌরগা ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিএসননা শীন্দুনা চথরিবা 'অহানবা আর কে জয়চন্দ্র সিংহ মেমোরিএল মণিপুর য়ুথ লীগ ২০২০'দা চহী কাংলুপ অহুম থোক্লা নিসু গী হোম গ্রাউন্দদা ই এস য়ুগা লম্বা তৌনখিবদা য়ু-১৩গী মেচতা নিসুনা ই এস য়ুবু মায়থীবা পীখি। য়ু-১৫গী কাংলুপ্তুনা নিসু অমদি ই এস য়ু ড্রো চৎখি। য়ু-১৮গী কাংলুপ্তা নিসুবু ই এস য়ুনা পাঞ্জল ০-২দা মায়থীবা পীখি।

য়ু-১৩গী কাংলুপ্তা নিসু অমদি ই এস য়ুগা লম্বা তৌনখিবদা নিসুনা ই এস য়ুবু পাঞ্জল ২-১দা মায়থীবা পীখি। নিসুগী মায়কৈদগী এম দি সরিফ অমদি এম দি অসলম খাননা পাঞ্জল অমমম চনখি। ই এস য়ুগী মায়কৈদগীনা এস অজিতনা পাঞ্জল ১ চনখি। য়ু-১৫গী কাংলুপ্তা নিসু অমসুং ই এস য়ুনা অপীবা মতমগী মনুংদা পাঞ্জল অমমম চন্নদুনা ড্রো চৎখি। য়ু-১৮গী কাংলুপকী শান্নখিবা মেচতনা নিসুবু ই এস য়ুনা পাঞ্জল ০-২দা মায়থীবা পীখি।

## হুইয়েন লানপাউ স্পোর্টস ক্যুইজ - ১১২

১) মহাক কুমজা ১৯৮৪ ফাওবা ওলিম্পিক্তা শরুক য়াখি। মসিনা মহাক্কী তরুক্লকশুবা ওইনা শরুক য়াখিবা ওলিম্পিকনি। মহাক্না কুমজা ১৯৮৪গী ওলিম্পিক্তা শরুক য়াখিবা থৌরম অদুদা ১৯শুবা তাখি। মহাক্কী মমিং পীয়ু।

২) অনীশুবা লাঞ্জাওদা ঐহাক চহী ১০ শুরে। লাঞ্জাও অদুদা ঐহাক্কী অপোকপা-অপোকপী অনীমক লৈখিদ্রে। মখোয়না লৈখিদবগী মরমদি চাবা ফংদবা অমদি ঈশিং-নুংশিৎ য়াম্না ঈংবননি। লাঞ্জাও লোইরবা চহী ১০গী মতুংদা ঐহাক্না ওলিম্পিক্তা শরুক য়াবদা এথলেটিক্সতা সনাগী মেদল ফংখি। ঐহাক কনানো?

৩) মহাক্না দিস্কস লংবা তম্বদা "The Blue Danube" হায়বা ঈশৈ অদু তাহল্লগা ঈশৈ অদুগী তানগা লোয়ননা দিস্কস লংবগী হকচাং অদু সর্কল মনুংদা রোটেট তৌবা হায়বদি হকচাং লৈবা তন্বীখি। মহাক দিস্কস চেম্পিয়ননি। মহাক কনানো?

৪) ২০২০ টোকিও ওলিম্পিক্কী মতাংদা মখাগী ৱাহৈশিং অসি কনানা হায়খিবগে? "I hope to lead the olympics to success with all of you."

৫) উৎলিবা শক্তম অসি কনানো? →



মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম ফেব্রুৱারী ১৫, থাংজ নুমিৎকী অয়ুক্কী পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা hueiyensportsquiz@gmail.com দা মেইল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী ড্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।




HL-P/4570/19-28jan.



Now Showing - Friends Talkies (Time : 11.00 a.m., 02:00 p.m. & 05:00 p.m.)
Now Showing - Shangeet Natak, Nambol (Time - 07 :00 p.m.)
Now Showing - Yairipok Hall (Time - 11:00 a.m, 02:00 p.m. & 06:00 p.m.)
HL-P/6152/8-22feb

Now Showing - Lamlai, Azad Talkies, Indra Thoubal
CONTACT FOR CHARITY SHOW, # 9615553633, 9383219758



HL-B/5952/24dec-10Feb.



HL-B/6019/4 feb-5march



TULASI MOTOR'S PVT. LTD.
Please Contact:- +91-9383237618/8787618315
HL-B/5837/29nov to 27jan

## /EMPLOYMENT NEWS

| Sl. No. | POST | QUALIFICATION | VAC | SALARY | AGE | BRANCH |
|---|---|---|---|---|---|---|
| 1. | Deputy Manager | Graduate / Master (Computer Know) | 2 | Negotiable | 30-45 | H.Q |
| 2 | Office Assistant | Graduate (Computer Know) | 2 Each | Negotiable | 18-25 | Sekmai, Samurou, khangabok, Kakching, Moirang |
| 3. | Mechanic/Painting Mistry(2/W,3/W& 4/W) | 3-7yrs Exp. | 3+2 | Rs.8,000 to Rs.22,000 p/m | 20-40 | H.Q |
| 4. | Security/GUNMAN | VIII Passed | 5 | Rs.6,500 to Rs.18,500 p/m | 18-25 | H.Q |
| 5. | Tyres Workshop Mistry | 3 to 5 yrs. Exp. | 8 | Rs. 6,500 to Rs.18,500 p/m | 20-35 | H.Q/Branches |
| 6. | Grade-IV | VIII Passed | 3 | Negotiable | 18-25 | H.Q |
| 7. | Iron Soldering Mistry | 3 to 5 yrs. experience | 3 | Rs. 9,000 to Rs.22,000 p/m | 22-45 | H.Q/Branches |
| 8. | Brick Mistry | 5 to 10 yrs. experience | 3 | Rs. 9,000 to Rs.23,000 p/m | 25-45 | H.Q/Branches |
| 9 | Driver (Car/Tata) Unmarried | 3 to 5 yrs. experience | 5 | Negotiable | 20-35 | H.Q |

# Interested candidates can apply with their personal BIO-DATA along with recent passport size photographs and **Contact No. to the** following address on or before 08th Feb.2020.

L.G.MOTORS (H.Q), KHAGEMPALLI HUIDROM LEIKAI, IMPHAL WEST, NEAR YUMJAO LAIREMBI MANING
Pleased Contact: 8787727402
HL-B/6002/30/1-2/4


Printed, published and owned by Soubam Niladhaja Singh, published from Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur & printed at M/s. Kangleipak Printers, Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur
Editor : Thounaojam Birdhaja, Managing Editor: Maisnam Karnajit, Asstt. Editor : Kh. Nandalal; Telephone Nos. 0385-2440771/2445104/2445106, e-mail:hueiyen_lanpao@yahoo.co.in, hueiyen_lanpao@rediffmail.com